# অইবা অমগী খোঙচৎতা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম



পাউমী অমা ওইনা ফঙ্কসন মফমদা, নৎত্রগা করিগুম্বা থৌদোক-ৱাথোক থোকফম মফমদা অদুক উন্নবা নত্তনা তোয়না পুনলুবদি নত্তবনিনা পাউমী অমা ওইনা অদুমক উরুই।

ইচম চম্না মরুপ অমা ওইনা লোয়নরুবনি অদুবু হন্দক সাহিত্যগী প্রোগ্রাম মফম খরাদা তোয়না উন্নবদগী য়াম্না থাজদনা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমগী ফিজং অমগী মরুমদা য়াম্না লোন্না থুপ্না মশা-মরেং ফন্দুনা লৈরম্বা মচিন তুমখৎলক্লিবা অইবা অসিগী ৱার্কশিং উরু খঙলুবদগীদি ওজা হায়না হেক্তা মিংগৌজরে।

ওজা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা সাহিত্যগী লম অসিদা লৌরিবা থৌদাং অসিগী মরমদা ঐনা খঙজা-উজবা খরাদং পাঙদমদুনা য়াম্না নহা ওইরিবা অইবা অসিদা খরদং ওইরবসু ইনোৎ অমা হাপ্পা ঙমগদ্রা খঞ্জদুনা পাউদমজবনি।

ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম হৈরোক পার্ট-২ দেবী মন্দোপ লৈকাইদা পোকখি। হৌজিক্কা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাঙ্খেই অয়াঙপলিদা মহাক্কী লোইনবী লাইশ্রম নিংঙোল পানেশ্বরি অমদি মচাশিংগা লোয়ননা লৈরি।

মহাক্কী পোক্লফম লমদম অসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৩৫ লোম চৎলগা লৈবা খূঙ্গং অমনি।

অপোকপাগী মিং খুন্দোংবম ইবোহল কৌই। অপোকপীগীনা নিংথৌজম নিংঙোল মঙলেম্বী কৌই। অপোকপা ইং ১৯৯৮ দা লৈখিদ্রে। অপোকপী মমাদি ইনশাং নাপী য়োনবনা শীনফম ওইবিনি।

ওকেন্দ্রো হৈরোক্তা লৈবা চিংঙদোম্পোক প্রাইমরি স্কুলদা ইহান হান্না মহৈ তম্বা হৌরকখি। ১৯৯৯ দা ঐচ এস এল সি ( মেত্রিক) পারিক্ষাদা ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌই। স্কুল অদুগী ছাত্রা অমগা মখোয় অনীনা স্কুল অদুগী ইহান হানবা ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌবা ঙম্বা ছাত্রসু ওইরি।

মতুংদা থৌবালদা লৈবা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরী স্কুল অমদি ইম্ফালগী এন জি কোলেজদা মহৈ মখা তমথদুনা উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা ভারাগী য়ূম অমদা লৈখি।

অদুবু লাইবক থীবদি ইমুং মনুংগী লৈত্ত-লাইরবনা মরম ওইদুনা কোলেজ তম্বা লোইশিনখিদে। কোলেজ থাদোক্লবা মতুংদা মৈতৈলোন্দা ফোঙবা পাউ-চে অমদা পাউমী ওইখি। মদুগী মতুং মথং মথং মান্নদবা পাউ-চে খরাদা পাউমী, সব-এদিটর, জোইন্ট এদিটর অমদি থাগী চেফোঙ অমগী এদিটর ওইনা থৌ পুখি।

মদুগী মতুং ২০০২ দা রাইটর ফোরম ইম্ফালদা য়াওদুনা সাহিত্যগী সংস্থানগা মরী লৈনবা হৌরকখি। মদুগী তুংদা কংলৈপাক লোইনাশিনলোন অপূনবা মরুপ ( কে এল এ এম) ইং ২০০২ দা লীংখৎতুনা ফাউন্দর জেনরেল সেক্রেটরী ওইরকখি।

মদুগী মতুংদা ওজা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা হান্না য়েংলমদনা চঙশিনখিবনা ইং ২০০৩ দা মশাগী ইহান হানবা ৱারি মচাগী লাইরিক -“ খল্লুবদা নোকনিংঙী” হায়না মিং থোনবা ৱারিমচাগী লাইরিক অমা ফোঙখি।

হৌজিক ফাওবদা চাওরাক্লা ঈশৈ ময়েক ৩৫০ রোম ইখ্রবা ওজা অসি ২০১৫ দগী এ আই আর ইম্ফালগী এপ্রুভদ লিরিক্স অমা ওইরি। ঈশৈ ময়েক ৫০ এপ্রুভদ তৌখিবদা ৮ দি শৈশকপা, শৈশকপীশিংনা শকখ্রে।

খূঙ্গংগী মীওইশিং অয়াম্বনা ইচম চম্বা ৱাখল্লোন চম্না হীংবা পূন্সি মরেলদা পোম্ছোকপা ঙম্বা অমদি মসিগী ওন্না- তৈনবা সহরগী পূন্সি মহিং খূদিংমক খঙলবা ওজা ওকেন্দ্রোগী ঈশৈ, শৈরেং অমদি ঈশৈ ময়েকশিংদা ময়েক শেংনা মমি তারি।

তুংগী অশা চাওনা তৌনিংঙাই ওইরিবা অইবা অসিনা হৌজিক ফাওবদা পাঙথোকখ্রবা থবক অমদি এক্সপ্রিরেন্স খরদং পনল্লবদা- সোর্ট ষ্টোরি অমদি শৈরেং,রিদর ইন ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনি। এপ্রুভদ লিরিক্স অমদি এ আই আর ইম্ফালগী প্লে-রাইটর অমসু ওইরি।

ঐচ রাজেস



“লোইনাশিনলোনগী পাউচে” ( এ লিটেরারি বিমোনথলি জরনেল পাব্লিসদ বাই, কে এল এ এম)গী এদিটর অমা ওইনসু থৌ পুরিবা ওজা অসিনা ২০১২ দা “ লৌনম্বা খোইমুগী চিরোলদা”, “ থুংনবা অমুক কাইনবা” অমদি ২০১৪দনা “ অশেংবা পূন্সি হায়না মিংথোনবা ওদিও সি দি অহুমসু ফোঙখ্রে।

লোয়ননা কংলৈপাক লোইনাশিলোন অপূনবা মরুপ. আষ্টিস ত্রেন্নিং কম ইডুকেসনেল রিসর্চ সেন্টর, শৈহেক শৈরেং শৈপান শেমগৎলুপ হায়রিবা অসিগী ফাউন্দর সেক্রেটরী অমদি শৈরেংবশিংগী অপূনবা লুপ ( এস ঐচ এ এল-এ আই আর- এপ্রুভদ লিরিক্স)কী মেম্বরসু ওইরিবা ওজা অসিগী হৌজিক ফাওবাদা ফোঙখ্রবা লাইরিক খরদং পনবা তারগনি- “ খল্লুবদা নোক্লিংঙি” ( সোর্ট ষ্টোরি-২০০৩), “ নুংশিবগী লৈনম”( প্রোস এন্দ পোইত্রি এবাউট, শাগোলশেম ইন্দ্রমনি-২০০৫), ঈ-শীংথিবী অমসুং মাগী ঈশৈ( পোইত্রি -২০০৭), লম্বীশিনা লোয়রকপদা ( রেডিও প্লে-২০১৩), মালঙদা তাওরি মঙলান ওইনা ( লিরিকেল পোইম-২০১৪), শীংজনিংঙী ইমাগী লমন ( লিরিকেল পোইম-২০১৯, ঈ তৈরবা থাবল ( পোইত্রি-২০১৩) লোয়ননা ২০১৯ গী ওক্টোবরগী তারিক ১৪দা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা “ লামৈনা চাক্লি চীংশাং নাপোমদা ” হায়না মিংথোনবা ঈশৈ ৫৫ য়াওনা এদিও সি দি অমসু মায় পাক্লা মীয়ামদা খূদোল তমখ্রে।

মখা তানা লিরিকেল পোইম, পোইত্রি অমদি ৱারিমচাগী লাইরিক খরা অমসু পুথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরিবা ওজা ওকেন্দো খুন্দোংবমগী তুংগী চঙশিনবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না পাউচে অসিগী মায়কৈদগী থমজরি।

# মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE : SCENERY*
**Luwanganba Mayenbam**
Class: I
Sec : ,A
Roll No-10
School:UNIVERSAL STUDENT ACADEMY





*TITLE : SCENERY*
**Lalleima Khoirom**
Class: VI,
Sec : Amethyst
Roll No- 33
School: HERITAGE CONVENT





*TITLE : SCENERY*
**E. Ariyan Singh**
Class: VI,
Sec : Amethyst
Roll No- 34
School: HERITAGE CONVENT







*TITLE : SUN FLOWER*
**Th. Lenin Kumar**
Class: VI,
Sec : Amethyst
Roll No- 20
School: HERITAGE CONVENT



*TITLE :ALUCARD*
**Chingsunganba**
Class: VI,
Sec : Amber
Roll No- 48
School: HERITAGE CONVENT







*TITLE,: A GIRL*
**Angelina Khangembam**
Class:IV,
Sec : B
Roll No- 1
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: SHIN CHAN*
**Antrics Thokchom**
Class:IV
Sec : B,
Roll No- 36
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: A GIRL*
**Benik Wahengbam**
Class: IV
Sec : B
Roll No- 4
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE,: A WOMAN*
**Leander Sairem**
Class: II
Sec : A
Roll No- 21
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



*TITLE,: SAVE EARTH*
**Nengnunnem Haokip**
Class: II
Sec : A
Roll No- 24
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: SCENERY*
**Phairem Italy Devi**
Class: IV
Sec : B
Roll No- 26
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,: HEADPHONE*
**Phamdom Raj Singh**
Class: VII
Sec : A,
Roll No- 28
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*